# কাইহৌরল্লবদি মতিক চাবা পাউখুম পীনবা ইন্দিয়ানা মতম চুপ্পদা শেম-শাদুনা লৈ: রাজনাথ

ন্যু দেল্লী, জুন ২৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংগা য়েৎনবা ৱাফম খূদিংমক ৱারী শানরগা লৈখায় তাথোকপগী ৱাফমদা থাজবা থম্মী। মসি ওইদুনসু কাইহৌরল্লবদি মতিক চাবা পাউখুম পীননবা শেম-শাদুনা লৈ।

ৱাফম অসি লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাদাখতা লৈবা কারু মিলিটরি ষ্টেসনদা ইন্দিয়ন আর্মিগী ১৪শুবা কোরগী ওফিসরশিং অমসুং জৱানশিংদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।




দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়া অসি কনামত্তদা অকন-অরিং শিংবা লৈতবা ঈংনা-চিক্না লৈবা পামজবা লৈবাকনি। তৌইগুম্বসু কাইহৌরকপা তারবদি মতিক চাবা পাউখুম পীনবা লৈবাক অসিনা মতম চুপ্পদা শেম-শাদুনা লৈ।

খূদিংমক গভর্ণমেন্টনা দাইলোগকী খূৎথাংদা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংগা লৈখায় তাথোক্লবা লেপ্তুনা লৈ হায়বা ৱাফম নৌহৌননা পনবগা লোয়ননা মহাক্না লৈবাক্কী সেফটি অমসুং সিক্যুরিটিগী ৱাফম মওং অমত্তদা মন্তিক্লরোই হায়না লৈবাক মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে।

মহাক্না ইন্দিয়ন মিলিটরিনা মতম শাংনা লানফম অনীগী অকিবা মায়োক্লদুনা লাক্লে। চাইনাগা বোর্দরগী মতাংদা য়েৎনবা অমসুং পাকিষ্টানগসু উংখৎনবা অসিনা লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সেসনা মতম চুপ্পদা মীকূপ নাহুম শিংনা অমসুং শেম শাদুনা লৈ।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা আর্মদ ফোর্সেসতা পীবা য়াবা সপোর্ট পীগনি হায়না থাজবা পীবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা গভর্ণমেন্টনা মিলিটরিবু ফিভম খূদিংমক মায়োক্লবা ঙম্নবা মপাঙ্গল কলহনবগী পান্দম থল্লি হায়খি। কুমজা ২০২০দা গলৱান ভেলিদা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎখ্রবা থৌনা ফরবা লান্মীশিংগী মফমদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ইকায় খুম্নবা উৎখি অমসুং লান্মীশিংনা কখোল্লিবসি লৈবাক অসিনা কৈদৌঙৈদসু কাওরোই হায়খি।

গলৱানগী থৌদোক অদুনা ইন্দিয়ন আর্মিনা উৎখিবা তমজ নিংঙাই ওইরবা থৌনা থাগৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা মসিগী আর্মদ ফোর্সেসকীদমক্তা চাউথোকচৈ হায়খি। কুমজা ১৯৬৫গী ইন্দো-পাক লান অমসুং কুমজা ১৯৯৯গী কার্গিল লানদা ১৪শুবা কোরনা লৌখিবা থৌদাংসু মহাক্না থাগৎখি।

ওফিসরশিং অমসুং জৱানশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা তিনখিবশিংগী মনুংদা নোরদর্ন কমান্দগী জেনরেল ওফিসর-কম্মান্দিং ইন-চিফ লেফ্টনেন্ট জেনরেল ৱাই কে জোসি অমসুং ১৪শুবা কোরগী জেনরেল ওফিসর কমিন্দং লেফ্টনেন্ট জনেরেল পি জি কে মেননসু য়াওখি।

## পুলিস ওফিসর ১০গী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে

চেন্নাই, জুন ২৮ (এজেন্সী):

বিজনেসমেন অমবু কিহন্দুনা মহাক্কী প্রোপর্টি অতোপ্পা বিজনেসমেন অমদা নমদুনা পীহল্লম্বগীদমক টামিল নাদু পুলিসকী সী বি-সী আই দিনা এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর অমা অমসুং সব-ইন্সপেক্টর অমা য়াওনা পুলিস ওফিসর ১০গী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

কমপ্লেন্ট অমা টামিল নাদু পুলিস হেদক্বার্টরসতা লাক্লবা মতুংদা হেদক্বার্টরস অসিনা পীখিবা দিরেক্সন্দা য়ূম্ফম ওইরগা নোংমাইজিং নুমিত্তা কেস অদু রেজিষ্টর তৌখিবনি।

চেন্নাইগী বিজনেসমেন অমনা মহাক্কী কমন্টেতা হায়খি, এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর অমা য়াওনা পুলিসমেন ১০না মহাকপু ইলিগেল ওইবা মওংদা মহাক্কী মমা, মহাক্কী ইনগেজ তৌনবা নুপী অমসুং মহাক্কী মনাওগা লোয়ননা ফাজিন্দুনা থল্লগা মহাক্কী প্রোপর্টিশিং অতোপ্পা বিজনেসমেন অমদা ট্রান্সফর তৌহনখি।

কমপ্লেন্টে অসিনা হায়খি, এসোসিএট খরগা লোয়ননা মহাক্না বিজনেস ভেঞ্চর অমা পায়খৎমিন্নখি। তৌইগুম্বসুং খরগা লৈগরা হায়বদি চহী খরগী মমাঙদা ওপরেসন লোইশিনখ্রে। বেঙ্ক ট্রান্সফরশিংগী খূৎথাংদা সেট্টলমেন্ট খূদিংমক লোইশিন্নখি।

## গুরজোত ফারে

ন্যু দেল্লী, জুন ২৮ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৬তা রেদ ফোর্টতা থোকখিবা ভাইওলেন্স অমসুং ফিৱাল চিংখৎখিবগী কেসতা চেন্নরিবা গুরজোত সিংহ পঞ্জাবকী অমৃতসরদগী ফারে হায়না দেল্লী পুলিস স্পেসল সেলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

এক্যুইজ অসি ফানবগী পাউ পীবা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ১গী শেলগী মনা পীগনি হায়না দেল্লী পুলিসনা লাউথোকখ্রবনি। জন্যুৱারী ২৬তা লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট কন্না তৌরিঙৈ মনুংদা মীওই কয়ানা পুলিসকা খূৎ থোক্লখি অমসুং চৈরত্তুদা মীওই খরনা রেদ ফোর্টতা চঙশিন্দুনা ফিৱাল অমা চিংখৎখিবনি।

## দরভঙ্গাদা পোকখায়খিবগী থৌদোক এ টি এসনা নৌনা থীজিল্লগনি

পটনা, জুন ২৮ (এজেন্সী):

বিহারগী দরভঙ্গা রেলৱে ষ্টেসনদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক বিহার পুলিসকী এন্টি-টেররিষ্ট স্কৱাদ (এ টি এস)না নৌনা অমুক থীজিল্লগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা পুলিস ছোর্স অমনা ফোঙদোরকপদা, ফোরেন্সিক টেষ্টকীদমক এ টি এসনা কোলকটাদা সেম্পলশিং থাখ্রে। কোলকটাগী ইনভেষ্টিগেসন অদুদা এফ এস এল পুনেগী এক্সপর্টশিংসু য়াওশিনগনি।

হৌজিক্কী ওইনা এ টি এস বিহার, টেলঙ্গনা পুলিস অমসুং উত্তর প্রদেশ পুলিসনা কেস অদু পূন্না থীজিনমিন্নরি। মখোয়দা নত্তনা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)নসু ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

থা অসিগী ১৭তা টেলঙ্গনাগী সেকন্দ্রবাদতগী দরভঙ্গা রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখিবা ট্রেন অমগী পার্সেল কম্পার্টমেন্টতগী লৌথোকখিবা কেমিকেলশিং য়াওবা পেকেট অমা য়াম্না থুনা পোকখায়রকখিবনি। থৌদোক অদু তরাইনা লৌবা য়াদবনা জি আর পিনা কেস অদু বিহার পুলিসকী এন্টি-টেররিষ্ট স্কৱাদ (এ টি এস) তা শিন্নখি।

## প্রাইমারি ওজা ৬,০০০তা এপোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং পীরগনি

লক্ষ্ণৌ, জুন ২৮ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী য়োগি অদিত্যনাথ গভর্ণমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রাইমারি ওজা ৬,০০০ রোমদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং ইস্যু তৌরগনি।

সেলেক্সন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এলোটমেন্ট লিষ্ট এন আই সীগী ওনলাইন সোফৱেয়রগী খূৎথাংদা ইস্যু তৌখ্রবনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী এসিষ্টেন্ট ওজাশিংগী ফমগীদমক খল্লবা কেন্দিদেটশিংগী দোক্যুমেন্টশিং ভেরিফিকেসন অমসুং স্ক্রুটিনি তৌবগী থবক চথরি। ষ্টেট অসিগী প্রাইমারি স্কুলশিংগী ওজাগী ফমশিং ৱাৎলিবসু মেনশিন্নবা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারীদা এসিষ্টেন্ট টিচর লৌবগী ইগজাম পাঙথোকখি। এসিষ্টেন্ট ওজা ৬৯,০০০গী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চথরিঙৈ মনুংদা জেনরেল কেটগোরি অমসুং সেদ্যুল্ড কাষ্টকী ফমশিংদি হাংলগা লৈখি।

গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন অমনা হায়, য়ু পিগী কাওন্সিল স্কুলশিং হাংদুনা লৈরিবা এসিষ্টেন্ট ওজাশিংগী ফমশিং মেনশিনবগী প্রোসেস হৌরে। হান্নগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসতা মেনশিনখিদবা ফমশিং মেনশিল্লগনি। চীফ মিনিষ্টরগী দিরেক্সনদা থোকখিবা এলোটমেন্ট লিষ্টতা য়াওরিবা কেন্দিদেটশিংনা মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা ভেরিফিকেসনগীদমক দেজিগনেটেদ কাওন্সেলিং সেন্টরদা য়ৌরক্কদবনি।

## গঙ্গাদা অশিবা হকচাংশিং তাওবগী মতাংদা এন ঐচ আর সীদা ৱাকৎনবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ২৮ (এজেন্সী):

অশিবশিংগী রাইট প্রোটেক্ট তৌনবা অমসুং কোভিদনা শোক্লবা হকচাংশিংগী পোৎলোইমল অমসুং লৈরোল চনবগী চার্জ কা-হেন্না লৌবা লোয়ননা এম্বুলেন্স সর্ভিসকী চার্জ কন্ট্রোল তৌনবগী পোলিসি অমা শেম্নবা দিরেক্সন পীবিনবা তকশিল্লদুনা থাখিবা প্লী অমা সুপ্রিম কোর্টনা খন্নবীয়ু য়াখিদ্রে।

পিটিস্নরগী কাওন্সেলনা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)দা ৱাকৎপগী অয়াবা পীরদুনা জষ্টিস নাগেশ্বরা রাও অমসুং জষ্টিস হেমন্ত গুপ্তগী বেঞ্চ অমনা হায়খি। পুখৎলক্লিবা ৱাফম অসি অরুবা প্রোব্লেমনি হায়বসি কোর্টনা য়াই, তৌইগুম্বসুং লাইবক ফবদি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি য়াম্না লুবা প্রোব্লেম হায়বদু ওইদ্রে। ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎলু। এন ঐচ আর সীনা ইস্যুশিং অসি য়েংশিনগনি।

হীয়ারিং অদুদা পিটিস্নরগী এদভোকেটনা হায়খি, গঙ্গা তুরেলদা অশিবা হকচাংশিং তাওরকপগী থৌদোকশিং য়েংদুনা অশিবশিংগী রাইটশিং প্রোটেক্ট তৌগদবা পোলিসি অমা পুথোক্লবগী দিরেক্সন পীবিবা পাম্মী। পিটিস্নরগী ওর্গনাইজেসননা ইস্যু অসিগী মতাংদা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রবসু হৌজিক ফাওবা ওর্দর অমত্তা থোকপীদনা লৈরি হায়না কাওন্সেলনা অর্গ্যুমেন্ট তৌখি।

পিটিস্নরগী কাওন্সেলগী ৱাফম অদু তাবদা বেঞ্চ অসিনা হায়খি, ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা নখোয়না এন ঐচ আর সীদা চৎকদবনি। কম্মিসননা পাউখুম পীরক্কনি। নখোয়না ফোরম কয়াদা চৎকদৌরিবনো? হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে। এন ঐচ আর সীনা খূৎ থিংজিল্লকপ্রা।

প্লী অদুদা য়াওরিবা ইস্যুশিং অদু তরাইনা লৌবা য়াবশিং নত্তে অমসুং মেট্টর অসি য়েংশিনবগী চুনবা ফোরমদি এন ঐচ আর সীনি হায়না বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোকখি।

এন জি ও ট্রষ্ট দিষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট কলেক্টিভনা অশিবশিংগী রাইট প্রোটেক্সন পীগদবা অকক্লবা লেজিসলেসন অমা পুথোকহন্নবা তকশিল্লদুনা প্লী অমা ফাইল তৌখিবনি। অশিবশিং পোৎলোইবা অমসুং এম্বুলেন্স সর্ভিসকী রেটশিং প্রিস্ক্রাইব তৌনবগী গাইদলাইনশিং অমসুং অসিগুম্বা রেটশিং ইন্দবশিং পেনাল এক্সনশিং ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা ইস্যু তৌনবা প্লী অদুনা টোপ কোর্ট অসিদা তকশিনখি। অশিবশিংগী রাইট অমসুং দিগনিটি ইকায় খুম্নবা মে ১৪দা এন ঐচ আর সীনা ইস্যু তৌখিবা এদভাইজরিসু প্লী অদুদা পনখি।

## দলিত ইমুং খূদিংমক্তা লুপা লাখ ১০ পীরগনি

হায়দরবাদ, জুন ২৮ (এজেন্সী):

টেলঙ্গনা গভর্ণমেন্টনা দলিতশিংগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা স্পেসল প্রোগ্রাম অমা লোঞ্চ তৌরগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্পেসল প্রোগ্রাম অদুগী মখাদা লায়রবগী পনখৈ মখাদা হিংলিবা বেনিফিসরি দলিত ইমুং খূদিংমক্তা লুপা লাখ ১০গী শেলগী মতেং পীরগনি।

সী এম দলিত ইম্পাৱরমেন্ট প্রোগ্রামগী অহানবা তাঙ্কক্কী মখাদা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ১১৯ মক্তগী ইমুং ১০০/১০০ খন্দোক্কনি। অসুম তৌদুনা অহানবা ফেজদা ইমুং ১১,৯০০দা শেলগী মতেং অসি পীগনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রোগ্রাম অসিগীদমক্তা লুপা ক্রোর ১,২০০ খাত্তুনা থমগনি অমসুং রাইতু বন্দুগীগা মান্ননা শেলগী মতেং অদু খনগৎলবা দলিত বেনিফিসরিশিংগী বেঙ্ক একাওন্টশিংদা হকথেংননা চঙহনগনি। রাইটু বন্দু অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পুথোকপা লৌমীশিংগী ওইবা সপোর্ট স্কিমনি।

দলিত ইমুংশিংদা শেলগী মতেং পীবগী ৱারেপ অসি নোংমাইজিং নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা কৌদুনা পাঙথোকখিবা ওল পার্টি মীফমদা লৌখিবনি। মীফম অদুদা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্কী লুচিংবশিং, দলিত রিপ্রজেন্টেটিভশিং, ইন্টলেকচ্যুএলশিং অমসুং ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি অমসুং মদু পূং ১১ চুপ্পা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা লাউথোকখি।

প্রোগ্রাম অদুগী মখাদা ইলিজিবল ওইবা লায়রবা দলিত বেনিফিসরিশিংদা বেঙ্ক গরেন্টি অমত্তা য়াওদনা শেলগী মতেং পীগনি। দলিতশিংবু শেলথুমগী লমদা মীপান তাংহন্দনবগী পান্দমদা পায়খৎকদৌরিবা প্রোগ্রাম অদু লৈবাক অসিদা অহানবনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ক্লেম তৌরি। সী এম দলিত ইম্পাৱরমেন্ট প্রোগ্রাম অদুনা দলিতশিংগী পুন্সিগী ক্বালিটিদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহল্লগনি অমসুং দলিতশিংগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা শাগৎলিবা ভিজন অদু লৈবাক অসিনা তমজনবগী মোদেল অমা ওইরগনি হায়না মীফম অদুদা লেপখি।

ওল পার্টি মীফম অদু দলিতশিংবু ষ্টেকহোল্ডরশিং ওইহন্নবা অমসুং মখোয়গীদমক্তা পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপ্লি হায়বদু খঙহন্নবা অমসুং মখোয়গী পুন্সিগী ক্বালিটিদা অচৌবা অহোংবা লাকহন্দুনা মখোয়গী ৱাখল চাউথোকহন্নবা কৌখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

## দ্রোনশিংগী থবক ট্রুপশিংনা মায় পাকহনখিদ্রে

জম্মু, জুন ২৮ (এজেন্সী):

জম্মু সিটিদা লৈবা বটনুচাক-কালুচাক মিলিটরি এরিয়াগী নোংমখক্তা য়েক্লবগী দ্রোন অনী আর্মিনা মতম চানা থেংনহৌদুনা খুদোংথীবা কয়া নংলম্বা য়াবদগী কনবা ঙমহৌরে হায়না আর্মিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লেফটনেন্ট কর্নেল দেভেন্দর অনন্দনা হায়, থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮গী লোন্নবা অহিংদা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈরিবা ট্রুপশিংনা বতনুচাক-কালুচাক মিলিটরি এরিয়া মথক্তা তোঙান তোঙানবা দ্রোন অনীগী এক্টিভিটিশিং খঙবা ঙমখি। খূদক্তা মরী লৈনবশিংদা পাউ পীবগা লোয়ননা ক্বিক রিএক্সন টিমনা দ্রোনশিং অদুদা নোংমৈ কাপখি।

দ্রোন অনীমক থুনা মফম অদুদগী পাইথোকখি। ট্রুপশিংনা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈবদগী মরু ওইবা থ্রেট অমা অরেপ্পা তাহনখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মীকূপ নাহুম শিংনা লৈরি অমসুং সার্চ ওপরেসন চথরি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা দ্রোন এক্টিভিটি থেংনরিবসি নোংমাইজিং নুমিত্তা জম্মুদা লৈবা এয়র ফোর্স ষ্টেসনদা য়েক্লবশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম অনী পোকখায়হনখ্রবা মতুংদা থোক্লকপনি। থৌদোক অদুদা ট্রুপর অনী শোকখি অমসুং ওফিস বিল্ডিং অমা অমাঙ-অতা থোকখি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 60,40,000+9,974 | 57,90,000+8,562 | 1,21,000+405 |
| Kerala | 28,90,000+10,905 | 27,80,000+12,351 | 12,879+62 |
| Karnataka | 28,30,000+3,604 | 27,00,000+7,699 | 34,743+89 |
| Tamil Nadu | 24,70,000+5,127 | 23,90,000+7,159 | 32,290+91 |
| Andhra Pradesh | 18,80,000+4,250 | 18,20,000+5,570 | 12,599+33 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+212 | 16,80,000+169 | 22,518+75 |
| West Bengal | 14,90,000+1,836 | 14,60,000+2,022 | 17,612+29 |
| Delhi | 14,30,000+259 | 14,10,000+285 | 24,965+4 |
| Chhattisgarh | 9,93,000+244 | 9,73,000+364 | 13,431+4 |
| Rajasthan | 9,52,000+162 | 9,41,000+264 | 8,914+4 |
| Odisha | 9,00,000+3,408 | 8,67,000+3,578 | 3,887+39 |
| Gujarat | 8,23,000+112 | 8,10,000+305 | 10,051+3 |
| Madhya Pradesh | 7,90,000+39 | 7,80,000+129 | 8,917+21 |
| Haryana | 7,68,000+115 | 7,57,000+217 | 9,385+17 |
| Bihar | 7,21,000+185 | 7,10,000+292 | 9,579+1 |
| Telangana | 6,21,000+748 | 6,03,000+1,492 | 3,635+8 |
| Punjab | 5,95,000+297 | 5,75,000+641 | 15,991+12 |
| Assam | 5,01,000+1,523 | 4,69,000+3,261 | 4,440+37 |
| Jharkhand | 3,45,000+81 | 3,39,000+163 | 5,111+1 |
| Uttarakhand | 3,40,000+82 | 3,30,000+125 | 7,088+2 |
| Jammu and Kashmir | 3,15,000+415 | 3,05,000+745 | 4,304+8 |
| Himachal Pradesh | 2,02,000+118 | 1,96,000+247 | 3,473+2 |
| Goa | 1,66,000+215 | 1,61,000+301 | 3,039+7 |
| Puducherry | 1,17,000+231 | 1,12,000+331 | 1,744+3 |
| **Manipur** | **67,986+669** | **61,038+509** | **1,124+16** |
| Tripura | 64,863+219 | 60,694+466 | 672+4 |
| Chandigarh | 61,624+20 | 60,614+37 | 807 |
| Meghalaya | 48,447+462 | 43,070+570 | 819+2 |
| Arunachal Pradesh | 34,932+165 | 32,270+216 | 167 |
| Nagaland | 24,961+111 | 22,951+75 | 487 |
| Sikkim | 20,111+170 | 17,673+203 | 301 |
| Ladakh | 19,964+23 | 19,481+23 | 202 |
| Mizoram | 19,455+131 | 15,040+177 | 91 |
| Lakshadweep | 9,681+22 | 9,337+24 | 48 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,455+9 | 7,266+1 | 12 |


### ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ অৱাবা ফোঙদোকপা



Northern Student's Club Khundrakpam গী Founder President ওইরম্বা ইকায় খুম্নজরিবা Shri Yambem Thoiba Singh না মহাক্কী পুন্সি চেঙজেল লোইদুনা মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপিজা খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লমদুনা হৌখিবা তাং ২৬-০৬-২০২১ থাংজ নুমিত্তা ঈশ্বরগী খুয়া তানখ্রে। হায়রিবা ইকায় খুম্নজরিবা Shri Yambem Thoiba Singh ইরৈকায় অসিদা ইংশোক ১৫-০১-১৯৩৩ দা খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায়দা পোকখি। মহাক্না লুচিংদুনা The Northern Students' Club অসিবু ০৫-০১-১৯৬০ দা মহাক মশামক্না (President) ওইদুনা ক্লব অসিবু লিংখৎপীরম্মী। মহাক্কী পুন্সি চেঙজেল লোইদুনা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি শাগৈ-নাতৈ থাদোক্তুনা ঈশ্বরগী খুয়া তানখ্রে। মসিদা হৌজিক হৌজিক ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না, শান্তি ওইনা লৈরুনবগীদমক্তা Condolence Meeting অমা ক্লব অসিগী শঙলেন মমাঙদা ঙসি তাং ২৮-০৬-২০২১ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৬.৩০ তাবদা মিনিট ১ তূমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা শরুক য়াজরি।

Sd/- Secretary,
**Northern Students' Club,**
Khundrakpam

HL-P/9970/29

### ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ অৱাবা ফোঙদোকপা



Community Health Centre, Bishnupur District কী Staff ওইনা সেন্টর অসিদা থবক তৌবীরম্বা লৈখিদ্রবা Shri Heishnam Jugeshwor Singh, S/o (L) H. Nipamacha Singh, Nambol Sabal Leikai দা লৈবনা ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা তাং ২৫/০৬/২০২১, ইরাই নুমীৎতা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবা অসিদা Community Health Centre, Nambol গী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি অমদি লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :
Community Health Centre, Nambol,
Bishnupur District

HL-P/9968/29

### ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6


### COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**

Imphal, the 28th June, 2021

**No.5/40/2012 HSC :** In pursuance of letter No. 29/2/2021-SE(S) Misc (CoSEM) dated 25-06-2021 of the Secretariat: Education(S) Department, Government of Manipur and with reference to Resolution No. 1.1 of the Examination Committee Meeting of the Council meeting held on 28-06-2021, all the Principals of Higher Secondary Schools and Colleges having +2 courses are advised to promote the students of Class-XI who are in possession of Admit Cards issued by the Council of Higher Secondary Education, Manipur, to the next grade i.e. Class-XII with immediate effect.

All Principals/Heads of institutions are, therefore, informed to download the prescribed format of Tabulation Sheet for the Class-XI Examination, 2021 web portal **www.cohsem.nic.in** w.e.f. 02-07-2021 print in A3 size paper or collect from the office of the undersigned and to submit the prepared Tabulation Sheets of the Class-XI students of their respective institutions on or before 31-07-2021 along with Attendance Sheet without fail.

Sd/- **Ch. Biren Singh,** Secretary,
Council of Higher Secondary Education, Manipur

HL-B/7013/29

### BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**

Imphal, the 26th June, 2021

**No. Ex/62/71(Vol-I)Pt :** In pursuance of the Convey letter No. 29/1/2021-SE(S) Misc (BOSEM) dated the 25th June, 2021 of the Secretariat: Education (S) Department, Government of Manipur, the Guidelines for Assessment/Evaluation Modality for Assessment of students in Class-X for the H.S.L.C. Examination, 2021 is hereby notified and it may please be seen in the website of the BSEM ***"bosem.in".*** All the Heads of Institutions/ Schools recognized by the Board of Secondary Education, Manipur shall strictly adhere to the provisions of the said Guidelines with immediate effect.

Sd/- **Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary

HL-P/9969/29

### GOVERNMENT OF MANIPUR DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**

Imphal, the 22nd June, 2021

**No.9/267/2020-SW (NMB) Pt:** Applications in plain paper are invited from registered local clubs who are interested to conduct awareness programmes on the issue relating to drug demand reduction at community level. The application should be submitted on or before 31st July, 2021.

The programme is aimed at making local clubs involve proactively in educating people about the harm of drug abuse and to ensure active community participation to fight the menace.

Preference would be given to those clubs who have participated in various training programmes organised by the Department relating to the issue.

Rate of financial assistance will be Rs. 15,000/- (Rupees Fifteen Thousand) only for one day awareness programme.

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare), Manipur

HL-B/7012/28&29